# ৬৫শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সি সি মীট হায়রগা খঙনবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ৬৫শুবা ইদিসন ঙসিদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা হৌখ্রে।

ববিনা গ্রুপকী স্পোন্সর মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৩২না গ্রুপ–৮ থোক্না খায়দোক্তুনা ঙসিদগী হৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা আর এফ সি সি কৈনৌ অমসুং পথাপ এফ সি লিলোং গোল অমমম চন্দুনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা পথাপ এফ সিনা হেন্না হৈশিংনা শান্নবগা লোয়ননা আর এফ সি সিগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া অমা ফংবা ঙমখি। মেটচ অসিগী হৌরকপা শরুক্তা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং মাঙহনখ্রবা মতুং ৩৮শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৯ এমদি জনাব খাননা ফ্রি কিক অমগী খুৎথাংদগী হেদিং তৌশিন্দুনা গোল একাউন্ট হাংবা ঙম্বতা নত্তনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা শরুক্তা পথাপ এফ সিনা মখা তানা বোল হেন্না পায়দুনা অমদি আর এফ সি সিগী মথক্তা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নখি। অদুবু মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা আর এফ সি সিনা তপ্না তপ্না লাকশিল্লকপগী মহৈ ওইনা ৭৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১০ ঐচ তোরেসনা বোক্সকী ৱাংমদগী এটেম্প তৌবা বোল অমা পথাপ এফ সিগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরল্লগা ইক্বেলাইজিং গোল চনবা ঙমখি।

আর এফ সি সিনা ইক্বেলাইজিং গোল চনখ্রবা মতুংদসু অহানবা হাল্ফতগী হেন্না নীংথিনা শান্নবগা লোয়ননা অহেনবা গোল চন্নবা হোৎনখি। পথাপ এফ সিগী মায়কৈদগীসু কাউন্টর এটেক কয়া চত্থদুনা মায় পাকপগী গোল চন্নবা হোৎনরবসু টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী ১–১দা দ্রো ওইখি।

মেটচ অসিদা আর এফ সি সিগী জর্সি নম্বর ১৫ কে সটিস মেটচকী ৪৪শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৫ কে রোসন মেটচকী ৯০শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাই হেমন্তনা সেন্তর রেফরি, এল হরিমোহোননা এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এল রাজানা এসিস্টেন্ট রেফরি তু, টি হেমন্তনা ফোর্থ ওফিসিয়েল, ঐচ অমর্জিৎনা মেটচ কম্মীস্নর অমসুং এল অজিৎনা রেফরি এসেসর ওইদুনা কন্দক তৌখি।

চহী কয়া পাঙথোক্লুদ্রবা মতুং চহী অসিদগী অমুক হৌদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা চীফ গেষ্ট, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এক্টিং প্রসিদেন্ট দিবি কোৱরনা প্রসিদেন্ট, দি এস এ চান্দেলগী টি এস চমনা অনাল, দি এফ এ মোইরাংগী প্রসিদেন্ট কে বিরেন্দ্র অমসুং ববিনা হেল্থকেয়র এন্দ হোস্পিটালিটি প্রাইভেদ লিমিটেদকী মেনেজিং ডাইরেক্টর ডা. টিঐচ ধবলিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ–এগী এ আই এম অমসুং নেরোকা এফ সি অমদি গ্রুপ–বিগী আই ৱাই এফ সি অমসুং আই এফ এনা শান্নগনি।

*ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি থাঙ–তা কম্পিটিসন:*

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড মেদল ২ / ২ লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ এসোসিয়েল ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিস ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা ঙসিদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অহানবা ওল ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি থাঙ–তা (মেন এন্দ ৱুমেন) কম্পিটিসন ২০২৫–২৬ হৌখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ২ / ২ লৌদুনা মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৪৬ মখাগী ফূনবা অহানবা ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন লনচেনবনা গোল্ড, ভগৱন্ত য়ুনিভর্সিটি রাজস্থানগী ক্রিসন কান্ত সুথরনা সিলভর অমসুং টামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ই বালাচন্দরনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৫০ মখাগী ফূনবা অহানবা ইভেন্টদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী থোইবা নোংথোম্বমনা গোল্ড, ভগৱন্ত য়ুনিভর্সিটি রাজস্থানগী গোবিননা সিলভর অমসুং জি এন এ য়ুনিভর্সিটি পঞ্জাবকী প্রেম নাথনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

নুপাগী কেজি ৫৪ মখাগী ফূনবা অহানবা ইভেন্টদা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী মেগসন অঙোমনা গোল্ড, তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী এম য়াবেসনা সিলভর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাই রোজিৎ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সি ওফ কলচরগী এলঐচ সেন্ত্রিংনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৪৪ মখাগী ফূনবা অনীশুবা ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লিক্লা চনু মোইরাংথেমনা গোল্ড, য়ুনিভর্সিটি ওফ মদ্রাস চেন্নাইগী দরসিনিনা সিলভর, তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী কে মুলাই রোজা অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসঐচ বিদ্যালক্সমিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৪৮ মখাগী ফূনবা অনীশুবা ইভেন্টদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মনোরামা য়ুম্নামনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এস চাউবা দেবীনা সিলভর, এম বি এস পঞ্জাব স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মমতাজ অমসুং তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী এম মহালক্সমিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী কেজি ৫২ মখাগী ফূনবা অনীশুবা ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী কে থাজা চনুনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এল সিলভিয়া চনুনা সিলভর, এপেক্স য়ুনিভর্সিটি রাজস্থানগী রক্সিতা রজাৱাট অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ পতাঞ্জলি উট্টরাখন্দগী পুজানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওনরেবল স্পিকর থোকচোম সত্যাব্রতনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসারর এন লোকেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, এম য়ুগী ষ্টুদেন্ট ৱেলফিয়রগী দিন প্রোফেসার সিঐচ ইবোহল, এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসার এম প্রেমজিৎ, য়ুনিভর্সিটি ওফ কাশ্মিরগী ডাইরেক্টর অমদি এ আই য়ুগী ওবজাভর ডা. সুর্জিৎ, ওলেম্পিয়ান পদ্মা শ্রী এন কুঞ্জারানি অমসুং থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমারনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী চিলসিলা শগোলশেমনা সব–জুনিয়র গালর্সকী ইপিদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা খুমন লম্পাক ফেন্সিং হোলদা চত্থখিবা অস্মিতা ফেন্সিং সিটি লীগ ২০২৫–২৬কী সব–জুনিয়র গালর্সকী ইপি ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী চিলসিলা শগোলশেমনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

চত্থরিবা লীগ অসিগী সব–জুনিয়র গালর্সকী ইপি ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী চিলসিলা শগোলশেমনা গোল্ড লৌখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নিঙোম্বম বিন্দিয়ানা সিলভর, হিজম লোয়াঙানবী চনু অমসুং নাওরেম দেসিতা চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সেনিয়র গালর্সকী ফোইল ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী চনম জারিনানা গোল্ড, নাওরেম জোস্লিন চনুনা সিলভর, য়ুরিকা পুংয়ানবম অমসুং অয়েকপম জোসিনা দেবীনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে। সেবর ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিকা নোংমাইথেমনা গোল্ড, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেলিনা সাইখোমনা সিলভর, ইম্ফাল ৱেষ্টকী জয়শ্রী কোঞ্জেংবম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী থাজা ওক্রমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেদেট গালর্সকী ফোইল ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী রাসিনা নাওরেমনা গোল্ড, পুস্পা চুমখামনা সিলভর, ঙাশেপম মেরিনা অমসুং চনম জালিনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইপি ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী পিয়াঙানবী নাওরোইবমনা গোল্ড, গুরুঅরিবম কেনিয়ানা সিলভর, হিজম ভুমিকা অমসুং হিজম লোয়াঙানবী চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। সেবর ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী পায়ল নিঙোম্বমনা গোল্ড, হুইনিংশুম্বম নিরুপামা চনুনা সিলভর, কোন্সম য়াইফরেম্বী অমসুং অহৈবম ফ্লোরিনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র গালর্সকী ফোইল ইভেন্টদা ঙাশেপম মেরিনানা গোল্ড, মাইবম গীতারানিনা সিলভর, ইম্ফাল ৱেষ্টকী রসিনা নাওরেম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী হুইনিংশুম্বম তোনিবিয়া চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইপি ইভেন্টদা ইম্ফাল ইষ্টকী লাইফ্রাকপম চিংলেম্বীনা গোল্ড, পিয়াঙানবী নাওরোইবমনা সিলভর, কোন্সম জেনিতা অমসুং ঙাম্থোই ওক্রমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

সেবর ইভেন্টদা পায়ল নিঙোম্বমনা গোল্ড, অহৈবম ফ্লোরিনানা সিলভর, পেবম বেবীদাইনা অমসুং সিঙ্কিয়া লৌক্রাকপমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নোংমগী ওইবা লীগ অসিদা য়ুথ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী ডাইরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেতোনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সিনাম প্রিতমকুমারনা প্রসিদেন্ট, মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টগী এস পি (স্পোর্টস) লাইশ্রম শরিতা, মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট জয়বি সিংহ, এম কুমার সিংহ অমসুং এল বিরাহরি মীতৈনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# পি আর ৱাই এ অমসুং কাফা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ য়ূমশারোল পাঙ্গৈগী স্পোন্সর মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট অপূনবা ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা খুন্দ্রাকপমদা লৈবা পিআরৱাইএ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা দি–পিআরৱাইএ ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি আর ৱাই এ অমসুং কাফা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কাফানা সাকপু গোল ৫–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা কাফাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ২৭শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১২ জোর্জ, জর্সি নম্বর ৭ জয়সননা ৬২শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১০ জেজোনা ৬৬শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ২ চিঙ্খোঙানবনা মেটচকী ৮০ প্লস ৩শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ২১ এল বোবোইনা মেটচকী ৮০ প্লস ৪ শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা কফাগী জর্সি নম্বর ৪ পোইরৈঙানবা মেটচকী মিনিট ৪৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২ চিঙ্খোঙাকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনিট অমদি সাক্কী জর্সি নম্বর ১২ অজিৎসন মেটচকী মিনিট ১৯ অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ লোয়াঙম্বা মেটচকী ৩৭শুবদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়ুম্বু ওইরিবা পি আর ৱাই এনা এস এস সি পোরোম্পাৎপু গোল ৪–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা পি আর ৱাই এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ ৱাই অর্জুননা মেটচকী ২৭শুবা অমসুং ৪৭শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৯ কে রোনাল্ডোনা মেটচকী ২২শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ এল হামেশ্বরনা মেটচকী ৪০ প্লস ২শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা পি আর ৱাই এগী জর্সি নম্বর ৬ বিদ্যানন্দ মেটচকী মিনিট ২৯শুবা, জর্সি নম্বর ১৯ সিতলজিৎ ৬২শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১ সিঐচ বিদ্যাসাগর মেটচকী ৬৩শুবা মিনিট অমদি মায়থিহৌরবা এস এস সিগী জর্সি নম্বর ১৮ মুকাদাস মেটচকী মিনিট ১৮ শুবদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

# মিজোরামনা মণিপুর মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ রঙপোরদা লৈবা সিক্কিম ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চত্থরিবা এন ই সি দি সি অন্দর–২৩ ৱুমেন'স ইন্টর ষ্টেট টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মিজোরামনা মণিপুরবু ৱিকেট ৩দা মায়থিবা পীখ্রে।

রন য়াম্না লৌনখিদবা মেটচ অসিদা মণিপুরনা তোস ঙমদুনা বেটিং তৌবদা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৭০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা মিজোরামনা ওভর ১৯.৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৭১ লৌদুনা মণিপুরবু ৱিকেট ৩দা মায়থিবা পীখি।

নাকল অমরোমদা চুমুকেদিমাদা লৈবা নাগালেন্দ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মরিশুবা এন ই সি দি সি ইন্টর ষ্টেট ফ্রেন্দসিপ কপ মেন'স অন্দর–১৯ টুর্নামেন্টগী মেটচতা নাগালেন্দনা মণিপুরবু ভি জে দি মেথদতা ৱিকেট ৫দা মায়থিবা পীখ্রে। মণিপুরনা তোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌবদা ওভর ৪৩.১ মায়োক্নবদা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ১৮৪ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা নাগালেন্দনা ভি জে দি মেথদতা ওভর ৩২.৫ মায়োক্নবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬০ লৌদুনা মণিপুরবু ৱিকেট ৫দা মায়থিবা পীখি।

*৩শুবা অন্দর–১৫ গালর্স ৱান দে ট্রোফি:*

# সেদো অমসুং এ কে এস দি ও মায় পাকখ্রে






ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১১না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চত্থরিবা অহুমশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৫ গালর্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৫–২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সেদো থাংমৈবন্দ অমসুং এ কে এস দি ও খাঙবোক মায় পাকখ্রে।

থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা শান্নখিবা মেটচতা সেদোনা এস টি ৱাই সি সি শগোলবন্দবু ৱিকেট ৮দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এস টি ৱাই সি সিনা তোস ঙমদুনা বেটিং হান্না পায়বদা ওভর ১১.৪ মায়োক্নবদা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইরগা রন ৩৮ খক লৌখি। মসিগী পাউখুমদা সোদোনা ওভর ৫.৩দা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ৩৯ লৌদুনা এস টি ৱাই সি সিবু ৱিকেট ৮দা থোয়খি।

এস টি ৱাই সি সিগী বেটিংদা তোকপম মঞ্জলিগী রন ৮ অমসুং লোইতোংবম ইচনথোইবীগী নোট আউটতা রন ২ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বেট্রলশিং রন অমা লৌবা ঙমখিদবগা লোয়ননা বেট্রর ৮না দকতা আউট ওইখি। সেদোগী বোলিংদা কোন্থৌজম শিনথোইহেনবীনা ওভর ৫ লংবদা মেদন ওভর অনী য়াওরগা রন ৩ পীরগা ৱিকেট ৩, শগাৎপম হেনথোইবীনা ওভর ৪ লংবদা রন ১৫ পীরগা ৱিকেট ২, শিলহৈবী সেরামনা ওভর ২ লংবদা রন ৮ পীরগা ৱিকেট ২ অমসুং কোন্সম সুর্বালানা বোল ৪দা রন ৮ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি।

সোদোগী বেটিংদা সালিনা সেরামনা রন ৯, সাপম কেরিনানা নোট আউটতা রন ৪ অমসুং শগাৎপম হেনথোইবীনা রন ২ লৌদুনা খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা বেট্রশিং ওইখি।

এস টি ৱাই সি সিগী বেটিংদা তোকপম মঞ্জলিনা ওভর ৩দা রন ২২ পীরগা ৱিকেট ২ খক লৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কোন্থৌজম হেনথোইবীনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখি।

সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা টি সি এম দি সি থোংজুবু চাউনা রন ১০৬দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা এ কে এস দি ওনা তোস ঙমদুনা বেটিং হান্না পায়বদা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭৫ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা টি সি এম দি সিনা ওভর ১২.৪ খক মায়োক্নবদা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইরগা রন ৬৯দা লোয়শিনবদগী এ কে এস দি ওগী মখুৎতা রন ১০৬দা মায়থিবা নঙখি।

এ কে এস দি ওগী বেটিংদা হেন্থোইসনা তাখেল্লম্বমনা বোল ৬৩দা রন ৪৬, লাইশ্রম কল্পানানা বোল ৪১দা রন ৩৪, লাইশ্রম লিন্থোই চনুনা নোট আউটতা বোল ৫২দা রন ৩০ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেট্ররশিং ওইখি। টি সি এম দি সিগী বোলিংদা লাইশ্রম গীতাঞ্জলিনা ওভর ৬ লংবদা রন ২৪ পীরগা ৱিকেট ১ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বোল্লর মঙা ৱিকেট অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

টি সি এম দি সিগী বোলিংদা লাইশ্রম লনচেনবীনা বোল ৩৫দা রন ১৮ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বেট্ররশিং রন মশিং অনীশুনা লৌবা ঙম্নখিদে। এ কে এস দি ওগী বোলিংদা লিসিরানি খুন্দ্রাকপমনা ওভর ৩ লংবদা রন ১৫ পীরগা ৱিকেট ৪, লাইশ্রম য়াইফবীনা বোল ৪ লংবদা রন অমা পীরগা ৱিকেট ২, হেন্থোইসনা তাখোল্লম্বমনা ওভর ৩ লংবদা মেদন ওভর অমা য়াওরগা রন ৫ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি লাইশ্রম লিন্থোই চনু অমসুং থোকচোম লাঙলেন চনুনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এ কে এস দি ওগী ওভর ২ লংবদা রন ৫ পীরগা ৱিকেট ২ অমসুং রন ৪৬ লৌখিবা হেন্থোইসনানা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখি।

# সাই এস টি সি ইম্ফালনা হরাওবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, স্পোর্টস ট্রেন্নিং সেন্তর (সাই এস টি সি) ইম্ফালগী শান্নরোই ৫ ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়ার্পোটতা লৈবা ১৬৫শুবা ইনফেন্তরি বট্টালিয়ান (টি এ) (ঐচ এন ঐচ)অসামগীদমক খল্লকপদা ট্রেন্নিং সেন্তর অসিগী মায়কৈদগী হরাওবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

১৬৫শুবা ইনফেন্তরি বট্টালিয়ান (টি এ)না হন্দক শান্নরোই লৌখিবা অদুদা সাই এস টি সি ইম্ফালদগী নুপী শান্নরোই ৩ অমসুং নুপা শান্নরোই ২ য়াওনা পূন্না শান্নরোই ৫ খনখিবনি। খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপীগী রেষ্টলিংদা খাঙেম্বম লৈচল, শেঞ্জম চাউবা, করাটেদা খাঙেম্বম মধুসুমিতা অমদি নুপাগী শান্নরোই অনী অদুনা বোক্সিংদা য়েঙ্খোম বিক্রম অমসুং চিংলেম্বানি।

সাই এস টি সি ইম্ফালগী সেন্তর ইনচার্জ মাইবম রমনি চনুনা শান্নরোই লৌবগী সেলেক্সন ট্রাইয়েল অদুদা সেন্তর অসিদগী পূন্না শান্নরোই ৯না শরুক য়াখিবগী মনুংদা শান্নরোই ৫ মায় পাক্লকপা ঙম্বা অসি অদুক্কী মতিক থাগৎনিঙাইনি। সেন্তর অসিনা শান্নরোইশিং অসিনা মখোয়গী তুংদা লাক্কদৌরিবা অচৌবা কম্পিটিসন কয়াদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা ট্রেন্নিং মখা তানা চত্থনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

*টি ২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট:*

# টি সি এম দি সি অমসুং এল সি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা টিম ২২না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চত্থরিবা অহুমশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি ২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬গী মেটচশিংদা টি সি এম দি সি অমসুং এল সি সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচতা টি সি এম দি সি থোংজুনা এল সি সি সি লিলোং চজিংবু ৱিকেট ৬দা মায়থিবা পীখ্রে। এল সি সি সিনা তোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌখিবা মেটচ অসিদা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১১১ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা টি সি এম দি সিনা ওভর ১৭.৫ মায়োক্নবদা ৱিকেট ৪ খক তুরগা রন ১১২ লৌদুনা এল সি সি সিবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

এল সি সি সিগী রন ১১১ অসিগী মনুংদা সিবাদত্তনা বোল ৫৮দা রন ৫৭ লৌদুনা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈবা ঙল্লবসু ইবোতোম্বনা বেল ২০দা রন ২১ লৌবা ঙম্বা নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেন অমত্তনা দবল ফিগর রন য়ৌনা লৌবা ঙমদবদগী রন ১১১দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে। টি সি এম দি সিগী বোল্লর ব্রজাকুমার অমসুং বিজেসনা ওভর ৪ / ৪ লংবদা রন ২১ অমসুং রন ১৬ পীরগা ৱিকেট ২ / ২ লৌখিবগা লোয়ননা জিতেন, কৃষ্ণ অমসুং সঞ্জিৎনা ওভর ৪ / ৪ লংবদা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

টি সি এম দি সিগী মায় পাকপগী রন ১১২ অদুগী মনুংদা মখোয়গী ওপনিং বেটচমেন রাকেসনা বোল ৩দা রন অমত্তা লৌরমদনা দকতা অমসুং মহাক্কী ওপনিং পিয়র সঞ্জিৎনা বোল ১৮দা রন ৫ খক লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবা মতুং গুলসনন্দনা বোল ৪৮দা আউট ওইদনা রন ৪২, কৃষ্ণনা বোল ১৩দা রন ২৫ অমসুং ব্রজকুমারনা বোল ১৫দা আউট ওইদন রন ১১ লৌদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিলমখি। এল সি সি সিগী বোল্লর দিপকনা ওভর ৪ লংবদা রন ২০ পীরগা ৱিকেট ২, বিজেননা ওভর ২.৫ লংবদা রন ১৬ পীরগা ৱিকেট ১ অমসুং কিষননা ওভর ৪ লংবদা রন ২৭ পীরগা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা টি সি এম দি সিগী ব্রজাকুমারনা বোল ১৫দা আউট ওইদনা রন ১১ অমসুং ওভর ৪ লংবদা রন ২১ পীরগা ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচতা এল সি সি লমশাংনা বি এস সি (বি) ব্রাহ্মপুরবু রন ১৮দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা এল সি সিনা তোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌবদা ওভর ১৯.৫ মায়োক্নবদা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ১২৭ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা বি এস সি (বি)না ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০৯ খক লৌবদগী এল সি সিগী মখুৎতা রন ১৮দা মায়থিবা নঙখি। মেটচ অসিদা এল সি সিগী নন্দকুমারনা রন ৩৯ অমসুং ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অয়ুক এস য়ু–এস বি সি শগোলবন্দ অমসুং নম্পা খা–ইম্ফালগা লোয়ননা নুংথিলদা এল সি সি সি লিলোং চজিং অমসুং কে সি সি কোংবানা শান্নরগনি।

# ই এম এফ সি লম্লাই অমসুং কৈশামথোং ফুটবোল ক্লব ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা সাই এন ই আর সি তাকয়েলগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২৪শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ফাইনেলদা ই এম এফ সি লম্লাই অমসুং কৈশামথোং এফ সিনা থেংনরগনি।।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৱান সাইদেদ ওইবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা কৈশামথোং এফ সিনা থাংমৈবন্দ এফ সিবু গোল ৬–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

কৈশামথোং এফ সিনা হেন্না লাকচনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা কৈশামথোং এফ সিগী ফাইনেল চঙবগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ দব্লিউ উমাকান্তনা মেটচকী মিনিট ৩৯, ৪০ অমসুং ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এম সঞ্জিৎকুমারনা মেটচকী ২৮শুবা অমসুং ৩০শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ৬ এস সান্তনা মেটচকী ৪২শুবা মিনিটতা গোল অমা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা থাংমৈবন্দ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৩ টি ভাইকিং মেটচকী মিনিট ৪৭শুবদা রেফরিনা রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেটচ অসিদগী মপান থোকহনখিবগা লোয়ননা কৈশামথোং এফ সিগী জর্সি নম্বর ১২ এল শ্যামসুন্দর য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচনা থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদা এ এফ এফ সি ইম্ফাল অমসুং থাংমৈবন্দ এফ সি শান্নরগা ফাইনেলনা থা অসিগী ১০গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ই এম এফ সি লম্লাই অমসুং কৈশামথোং এফ সিনা শান্নরগনি।

নীংশিংবা য়াই ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ই এম এফ সিনা এ এফ এফ সি ইম্ফালবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখিবনি। ই এম এফ সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দব্লিউ প্রেমজিৎ অমসুং কেঐচ সুরেসনা চনখিবগা লোয়ননা মায়থিহৌরবা এ এফ এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ঐচ নোরেননা চনখি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com